**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 07-12-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সরকারনা পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনবগী অকনবা থবক পায়খৎলকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাবু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

২) হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওক্রম ইবোবীনা হায়রি- হিংশা হায়বসিনা মখল অমত্তগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই, ফুরুপশিংগী মরক্তা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নরগা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনফম থোকই।

৩) থা অসিগী ১৫ দগী পাওথোক্কদবা ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ারগী করটেনরাইজর রেল্লি অমা ঙসি ইম্ফালদা পাওথোকখ্রে।

৪) জাতিগী ঈশৈ বন্দে মাতরমগী চহি ১৫০ শুরকপগী অখন্নবা খন্ন-নৈনবা লোক সভাদা হয়েংদগী হৌরগনি।

অমসুং

৫) ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা বি.আর.ওনা শেমগৎখিবা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ট ১২৫ শঙ্গাখ্রে।

------

বিরেন (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা চীংশাং পরেংশিংদা থারিবা পোপি পান্বীশিং য়ান্থৎতুনা মাংহনবগী অকনবা থবক পায়খৎলকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাবু থাগৎপা ফোংদোক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা শ্রী বিরেন্না হায়- সরকারনা অসিগুম্বা অকনবা থবক পায়খৎলকপা অসিনা ঐখোয়গী উমংশিং অমদি হৌরক্লিবা নহাশিংগী পুন্সি কনবগা লোয়ননা লৈরিবা আইনশিং নিংথিনা ঙাক শেনদুনা থম্বা ঙমগনি। মহাকা হায়- পোপি পান্বীশিং য়াম্নুৎপগী খোঙথাং অসিনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী নসা মুক্ত ভারতকী মঙলান মঙফাওনহনবা ঙমহল্লগনি। নেসনেল মিসন অসি মায় পাকহন্নবা হোৎনবদা মণিপুরনা অকনবা মওংদা থৌদাং লৌরকপা অসি পুকিং থৌগৎনিঙাই ওই। রাজ্য অসিগী মফম অমত্তদা নার্কোতিক্সকা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমত্তা পাঙথোকপা ঙমহন্দনবা অসিগুম্বা পোপি য়াম্নুৎপগী থবক অসি লেপ্তুনা চখুবীনবা মরী লৈনবা ওথোরিতিশিংদা আপীল তৌরি। ঐখোয় খুদিংমকা পুনশিন্দুনা ড্রগকী মায়োক্তা খোঙজং চংশিনমিন্নরবা মতমদতা রাজ্য অসিগী তুংগী শক্তম ঙাকপা অমদি ড্রগ লৈতবা মশা মউ ফবা খুনাই অমা শেম্বা ঙমগনি হায়না শ্রী বিরেন্না মখা তানা ফোংদোক্লি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সকী অপুনবা কাংবু অমনা ঙরাং জিরিবাম জিলাদা মীওই অনি লুপা কোতি ১২ হেনবগী দব্লিউ.ৱাই. টেব্লেৎকা কোন্ননা ফাগৎখিবা অদুবু মহাকা থাগৎপা ফোংদোরক্লি।

ইবোবী (এল)ঃ হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ওক্রম ইবোবীনা হায়রি- হিংশা হায়বসিনা করিগুম্বা মখল অমত্তগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙমলোই। ফুরুপশিংগী মরক্তা ৱাখল্লোন খেন্নবা কয়া লৈরগসু নিংথিনা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নরগা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনফম থোকই।

মোইরাংথেম ইবোতোম্বী মেমোরিয়েল চেরিতেবল ট্রষ্ট হৈরোকা শিন্দুনা ঙসি থৌবাল জিলাগী হৈরোক পার্ট-টু ময়াই লৈকাইদা পাঙথোকপা মোইরাংথেম ইবোতোম্বী লৈখিদবগী চহি ৩০ শুরকপা নিংশিং থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা শ্রী ইবোবীনা হায়- ঐখোয় খুদিংমক্কী খেন্নবা কয়া লৈরবসু ফম্মিন্নরগা ৱারোইশিন পুরকবা হোৎনবনা রাজ্য অসি শান্তি অমদি চাওখৎপা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি।

ঙসিগী থৌরম অদুদা এম.এল.এশিং- কাংঙুজম রঞ্জিৎ, থোকচোম লোকেশ্বর য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা ঈ দান তৌবা অমদি হৈরোক বিধান সভা কেন্দ্রদা লৈবা সেনিয়র সিতিজনশিং, লুখ্রাবীশিং অমদি হকচাংগী ফিভম তোঙাল্লবা মীওইশিংদা পেন্সনগী শেনফমশিংসু য়েন্থোকখি।

বিল (এল)ঃ নেসনেল ব্লড ত্রান্সফ্যুজন বিল ২০২৫ সংসদতা পাস তৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা মণিপুরদা ভোলুন্তরি ব্লড দোনরগী চাং হেনগৎহনবগী তঙাইফদবা লৈ হায়না ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ান ব্লড দোন্নরস ওর্গনাইজেসন মণিপুর ষ্টেট চেপ্তরগী প্রসিদেন্ট প্রেমজিৎ মোরাইথেমনা হায়রি।

চেরোল অমদা শ্রী প্রেমজিৎনা হায়- বিল অসি পাস তৌদুনা চৎনরকপা মতমদা লৈবাক অসিদা ব্লড ত্রান্সফ্যুজন সিষ্টেমদা অচৌবা অহোংবা অমা লাক্কনি। বিল অসিগী মতুংইন্না ব্লড সেন্তরশিংগী তঙাইদবা ঈ খুদিংমক ভোলুন্তরি ব্লড দোনরশিংদগী লৌগদবনি হায়বা ৱাফম য়াওরি। মসিনা মরম ওইরগা অনাবা মীওই অমগী দরকার লৈবা ঈ কাপ্লকপা মতমদা ইমুং মনুংশিংদা মহুৎ শিন্নবা দোনর পুরকউ হায়বা য়ারোইদৌরি। ফিভম অসিদা ভোলুন্তরি ব্লড দোনরগী চাং হন্থনা লৈবা মণিপুরদদি করি ফিভম ওইরক্কদগে হায়বা খন্ননিঙাই ওইরি।

ইংবা (এল)ঃ ইন্দিয়া মেতিওরোলোজিকেল দিপার্টমেন্ট ইম্ফাল সেন্তরনা হায়রি- রাজ্য অসিগী জিলা খরদা লাক্লিবা নুমিৎ মরিনিরোম অসিদা লৈচিল কা হেন্না থাবগা লোয়ননা কা হেন্না ইংলবা য়াই।

ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, সেনাপতি, উখ্রুল, নোনে, চান্দেল, চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাশিংদা লৈচিল কা হেন্না থারবা য়াই হায়রি।

বুক ফিয়ার (এল)ঃ থা অসিগী ১৫ দগী ২৪ ফাওবা নুমিৎ ১০ নি চুপা চত্থগদবা ৩২ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ার ২০২৫ গা মরী লৈননা করটেনরাইজর

রেল্লি অমা ঙসি ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অসি ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরি ইম্ফালনা দিষ্ট্রিক্ট লাইব্রেরিশিং, রাজ্যগী আর্ট এন্দ কলচর বিভাগ, মণিপুর লাইব্রেরি এসোসিয়েসন (মালা) অমসুং তোঙান তোঙানবা লনাই সংস্থানশিংগা খুৎশমদুনা শিনবনি। ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিগী চীফ লাইব্রেরিয়ান ডাঃ আর.কে. উরমিলানা রেল্লি অদু ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিদগী লমথাখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা চীফ লাইব্রেরিয়ান ডাঃ উরমিলানা হায়- রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিদা খুনাই অসি শেমগৎ শাগৎকদবা থবক থৌরমশিংদা অহেনবা মীৎয়েং থমদুনা থবক তৌবগী তঙাইফদবা লৈ। চাং নাইনা লাইরিক পাবগী হৈনবী থমবনা মীয়ামদা মরুওইনা হৌরক্লিবা মহৈরোইশিং অমসুং নহারোলশিংদা অফবা ৱাখল্লোন অমদি চাওখৎপগী ঈথিল পীবা ঙমগনি।

ঙসিগী করটেনরাইজর রেল্লি অসিগী পান্দমদি- মীয়ামদা লাইরিক পাবগী মরুওইবশিং অদু খঙহনবনি।

কোকোমি (এল)ঃ মীয়ামগী হকশেলগী ফিভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা নোংমগী ওইবা মীয়ামগী মীফম অমা ঙসি হোটেল ইম্ফালদা পাঙথোকখ্রে। ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চ অমদি কোকোমিনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা অখঙ অহে কয়ানা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা হকশেলগী ফিভম অমদি হেলথ কেয়ার প্রোফেসনেলশিংনা লম অসিদা লৌগদবা থৌদাংগী মতাংদা ৱা ঙাংখি।

হেলথ কেম্প (এল)ঃ মল্টি স্পেসিয়েলিতি মেগা হেলথ চ্যেকঅপ অমসুং পেদিয়াত্রিক কেন্সর এৱারনেস কেম্প অমা খ্বাইরম্বন্দ কৈথেলগী ইমা কৈথেলদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেম্প অদু লাইওন্স ক্লব ওফ ইম্ফাল ভেল্লি, ইম্ফাল ভেল্লি নেক্স জেন, ইম্ফাল গ্লোবেলনা রাজ্যগী হকশেল বিভাগকা খুৎশমদুনা পাঙথোকপনি। তোঙান তোঙানবা স্পেসিয়েলিষ্ট ডোক্তর ১৮ য়াওনা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা মীওই ৪০০ রোম হেন্না অনা লায়েংখি হায়রি।

থৌরম অদুদা হকশেল বিভাগকী দাইরেক্তর ডাঃ এন. হেমন্ত কুমার, ষ্টেট নোদেল ওফিসার ডাঃ ৱাই. প্রেমচন্দ্র য়াওনা মীওই় কয়া শরুক য়াখি।

সেনাপতি (এল)ঃ এসিষ্টেন্স কেম্প ওন দিপোজিটর ইদুকেসন এন্দ এৱারনেস ফন্দ হায়বা হিরমদা জিলা থাক্কী এৱারনেস প্রোগ্রাম অমা হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা সেনাপতি জিলাগী মখান সেন্তর কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকখ্রে। এস.বি.আই লিদ বেঙ্ক ওফিসনা আর.বি.আই ইম্ফালগা খুৎশমদুনা পাঙথোকখিবা কেম্প অসি বেঙ্কশিং অমদি ইন্সুরেন্স কম্পনিশিংদা মীয়ামা ক্লেম তৌদনা লৈরিবা দিপোজিৎকী শেনফমশিংগী মতাংদা মীয়াম্বু নিংথিনা খঙহন্নবা পান্দমদা পাঙথোকপনি।

ককচিং (এল)ঃ লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংনা শিন্দুনা মনা লান্থোকপগী থৌরম অমা ঙসি ককচিংদা লৈবা সেন্তর অসিগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মহে় মশিং অমদি তোঙান তোঙানবা হিরমশিংদা মকোক থোংলক্লবা মীওইশিংদা মনা পীদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

তেংবাং (এল)ঃ ১৪ শুবা বত্তাল্লিয়ন বি.এস.এফনা সিভিক এক্সন প্রোগ্রামগী মখাদা কৈরক গ্রাম পঞ্চায়টকী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা ক্লব, মৈরা পায়বী লুপশিং, অহল ওইরবা মীওইশিং অমসুং চিলদ্রেন হোমশিংদা তেংবাংগী পোৎলম কয়া মতেং পাংখ্রে। থৌরম অদুদা ৱাবগাই কেন্দ্রগী এম.এল.এ-ডাঃ উশম দেবেন, ১৪ শুবা বত্তাল্লিয়ন বি.এস.এফকী সেকেন্দ ইন কম্মান্দ-এস.ঐচ. প্রকাশ রাজ্ কোসি য়াওনা মীওই় কয়ানা শরুক য়াখি।

লম্বী (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লৈতানপোকপীদা লৈবা উয়োক চীংদা নৌনা লম্বী শেমজিল্লকপবু য়ানিংদবা ফোংদোক্নুনা ঙসি মফম অদুগী মীয়ামা ৱাকৎ খোঙচৎ অমা চৎখ্রে। য়ং স্পোর্টিং ক্লব ভি.দি.সি অমদি লৈতানপোকপীগী মৈরা পায়বীশিংনা শিন্দুনা চৎখিবা রেল্লি অদুদা লম্বী শেল্লকপা অদুবু য়ানিংদবা

ফোংদোকপা খোল্লাউ কয়া লাউখি।

লোক সভা ঃ জাতিগী ঈশৈ বন্দে মাতরমগী চহি ১৫০ শুরকপগী অখন্নবা খন্ন-নৈনবা লোক সভাদা হয়েংদগী হৌরগনি। সরকারগী পাউ মতুংইন্না খন্নবা অদু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোক্কনি। মমাং চয়োলদা পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা পার্লিয়ামেন্টরি এফ্যারস মন্ত্রি কিরেন রিজিজুনসু নোংম চুপা চথুগদবা অখন্নবা খন্ন-নৈনবা অদু নুমিৎয়ুংবা পুং ১২ দগী হৌগনি হায়না ফোংদোকখ্রবনি। লোক সভাগী অধ্যক্ষ ওম বিরলানা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা দল পুমমক্কী ওইবা মীফমদসু থা অসিগী ৮ দা বন্দে মাতরমগী মতাংদা খন্ন-নৈন্নবা অমসুং থা অসিগী ৯ দনা ইলেক্তোরেল রিফোর্মসকী মতাংদা খন্ননবা লেপখিবনি।

রাজনাথ ঃ ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা ঙসি রাজ্য ৭ অমসুং য়ুনিয়ন তেরিতোরি ২ দা বোর্দর রোডস ওর্গনাইজেসন (বি.আর.ও)না শেমগৎখিবা সাইয়োক তন্নেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা মরুওইবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট ১২৫ শঙ্গাখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাজনাথনা হায়- লৈবাক অসিগীদমক থৱায় কৎখ্রবা ভারত লান্মী অমসুং বি.আর.ওগী মীওইশিংগী থোইদোক হেন্দোকপা কৎথোকপা অদুবু নিংশিংবা ওইনা ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্টশিং অদু শেমগৎপনি। মহাকা হায়- লেহদা শেমগৎলিবা সাইয়োক তন্নেল অসিনা লদাখতা চাউনা অওনবা পুরকপা ঙম্লগনি।

বিএসএফ ঃ বোর্দর সেক্যুরিতি ফোর্স (বি.এস.এফ)না পঞ্জাবকী ঙমখৈ পরিংদগী হিরোইন, খুৎশু খুৎলায় অমদি নোংমৈ মরুনচিংবা কয়া ফাগৎলে। হৌখিবা পুং ২৪ অসিদা অমৃটসর, তরনতরান অমসুং ফিরোজপুরদা চথুখিবা তোঙান তোঙানবা ওপরেসনশিংদা দ্রোন অহুমসু কাপথখ্রে। অমৃটসরগী ঙমখৈ পরিংদা ঙরাং নুমিদাং দ্রোন অমা পাইবগী মখোল তাবদগী সেক্যুরিতি ফোর্সনা

মফম অদুদা থি হুন্নবগী থবক চখুবদা লৌবুক অমদগী পেকেট ১২ দা হাপ্তুনা থম্লম্বা হিরোইন কিলোগ্রাম ৬ মখায়সু ফংখি। মফম অদুদগী মরু য়াওবা পিস্টোল অমসু ফংখি। মদুগী মমাংদা ঙমখৈ লমদা থম্বা ড্রোন পাইবা থিংনবা টেকিকেলগী থৌরাংদগী বি.এস.এফনা পাকিস্তান লোমদগী চংশিল্লকপা ড্রোন অহুমসু কাপথখি।

জয়শঙ্কর ঃ নিউ দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকপা ইন্দিয়া-জপান ফোরমগী হৌদোকপগী মীফমদা মপান থৌরম মন্ত্রি ডাঃ এস. জয়শঙ্করসু শরুক য়াখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোলদা ডাঃ জয়শঙ্করনা হায়- মহাকা ভারত অমসুং জপান্না তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবগী ৱাফমশিং অমদি মালেমগী ওইবা ৱাফম কয়াগী মতাংদা কুপা খন্নখি।

ইনর্জি ঃ নিউ এন্দ রিন্যুএবল ইনর্জি মন্ত্রালয়না লম অসিদা শেল থাদবা লেপবগী মতাংদা চেরোল অমত্তা থোকখিবা লৈতে হায়না শেংদোক্লি। মন্ত্রালয়না হায়- মসিনা ফাইনান্সিয়েল ইন্সটিট্যুসনশিংদা রিন্যুএবল ইনর্জি পৱার প্রোজেক্টশিং নত্রগা খুৎশু খুৎলায়শিং শাবশিংদা শেল থাদবা তোকবা হায়খিবা লৈতে। মন্ত্রালয়না হায়- ২০৩০ ফাওবদা ফোসিল ফ্যুএল নত্তবা গিগাৱাট ৫০০ পুথোকবা পান্দম অদু ফংনবা সোলার ইকো সিষ্টেমবু হেন্না চাওখৎহন্নবা কন্না হোৎনরি।

রাধাকৃষ্ণন ঃ উপ-রাষ্ট্রপতি সি.পি. রাধাকৃষ্ণন্না ঙসি হরিয়ানাগী গুরুগ্রামদা ব্রহ্মকুমারিগী ওং শান্তি রিট্রিট সেন্তরগী চহি ২৫ মপুং ফারকপগা মরী লৈননা রজৎ রাসমিয়াং হৌদোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা শ্রী রাধাকৃষ্ণন্না হায়- ব্রহ্মকুমারিশিংনা মেদিটেসনগী শক্তিনা পুকিং অমদি সংসারগী ওইবা অচুম্বা কয়া অদু খঙবা ঙম্লি। মখোয়গী হোৎনজমন্না মালেম অমদি ভারতকী মীওই কয়াদা শান্তি ফংহনবগা লোয়ননা পুকিং ৱাখলগী ময়োল চোংহল্লে হায়নসু মহাকা মখা তাখি।

তেলঙ্গানা ঃ  নুমিৎ নিনি চথ্খগদবা তেলঙ্গানা রাইজিং গ্লোবেল সমিট ২০২৫, হয়েংদগী হায়দ্রবাদতা হৌরগনি।

মালেমগী লুচিংবশিং, উদ্যোগকী মকোকশিং অমদি অখঙ অহৈ কয়ানা মরুওইনা ইনর্জি, আই.টি., হকশেল অমসুং স্তার্টঅপগুম্বা লমগী তোঙান তোঙানবা সেসন ২৭ তা শরুক য়াগনি।

মরুওইবা ওর্গনাইজেসনশিংগী মনুংদা ৱার্ল্ড হেলথ ওর্গনাইজেসন, ৱার্ল্ড বেঙ্ক, এসিয়ান দিবলপমেন্ট বেঙ্ক অমদি য়ুনিসেফনচিংবা য়াওরি। থৌরমদুদা তেলঙ্গানাগী রাইজিং ২০৪৭ কী ভিজন দোকুমেন্টসু পুথোক্কনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ফুটবোল ঃ  মণিপুরনা ডাঃ টালি মেরেন আও জ্নিয়র গার্লস নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ৱিন্নর ওইরে। ঙসি আর.দি.টি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেলদা মণিপুরনা ৱেষ্ট বেঙ্গলপু পাঞ্জল ৯-০ দা থোইদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

অমরোমদা, চেম্পিয়নসিপ অসিদা মণিপুর ৱিন্নর ওইরকপদা হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন্না মণিপুরগী নুপীমচাশিংগী টিমবু থাগৎপা ফোংদোক্লি। মায় পাকপা অসিনা মণিপুরবু চাউথোকচবা ফাওহল্লে  হায়না মহাকা মখা তারি।

ফুটবোল ঃ এস.এস.সি সেক্তা গ্রাউন্দ চথ্খরিবা ৩ শুবা প্রেমিয়ার লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- অনৌবা ইমাগী মঙাল অমসুং অসুফি এফ.এ পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।   অতোপ্পা মেটচশিংদা ক্ষেত্রি ইরিল মপাল য়ুথ ক্লবনা অংথা এফ.সিবু পাঞ্জল ৬-৫ দা  থোহখ্রে।

ফুটবোল ঃ  ১৮ শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু.এস.এনা রাহি য়ু.সিবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ  সিঙ্গা আইদিয়েল ক্লব য়াইরিপোকা শিন্দুনা ৯ শুবা সিঙ্গা ট্রোফি ঙসি

এস.আই.সি প্লে গ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে। অহৌবা মেটচতা য়ুম্বু ওইরিবা এস.আই.সি-এনা আকবর ফরনিচর ক্ষেত্রিগাউবু পাঞ্জল ৭-২ দা থোইখ্রে। ট্রোফি অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাংখেম কেন্দ্রগী এম.এল.এ- কৈশাম মেঘচন্দ্র, সিঙ্গা আইদিয়েল ক্লবকী প্রসিদেন্ট এম.দি. হেলিম য়াওনা মীওই কয়ানা শরুক য়াখি।

পোলো ঃ ওল মণিপুর পোলো এসোসিয়েসন্না শিন্দুনা মপাল কাংজৈবুংদা চথুরিবা সেকেন্দ দি.জি.এ.আর মেন এন্দ ৱিমেন পোলো চেম্পিয়নসিপকী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী মেটচশিংদা থাংমৈবন্দ য়ুথ পোলো ক্লবনা নিউ ভিজন পোলো ক্লবপু পাঞ্জল ৯-২ দা, ই.এস.সি পোলো ক্লবনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৯-১ দা অদুগা এম.পি.এস.সি টিমনা কে.এম.এমবু পাঞ্জল ৪-০ দা থোইখ্রে।

ক্রিকেটঃ ১০ শুবা এম.এন.সি.এ. প্লেট টুর্নামেন্টকী ঙসি মোইজিং পাব্লিক গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.সি পাৎশোইনা সেদো থাংমৈবন্দবু রন ৬২ দা থোইখে।

তুরনামেন্ট অসিগী লাইরেঞ্জম পাব্লিক গ্রাউন্দ ইম্ফালদা শান্নবা অতোপ্পা মেটচ অমদা- আই.বি.এস.এ য়ুমাম লৈকাইনা কে.আই.ৱাই.সি ক্ষেত্রিগাউবু ৱিকেট ৬ তা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ মোরনিং স্তার এসোসিয়েসন-থাঙ্গা খুঞ্জেম লৈকাইনা শিনদুনা চথুরিবা মঙাশুবা ষ্টেট লেবেল এল. ইবোচৌ মেমোরিএল ওপন ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী থাঙ্গাগী লাইনিংথৌ লম্পাক খুঞ্জেম লৈকাই গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ু.ভি.ৱাই.ও শমুরৌনা নিত্রো এলেভেন কুম্বীবু রন ১৪৪ দা থোইখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা এম.এস.এ লিজেন্দসনা তাইফুম এলেভেনবু রন ১০৯ দা থোইখি।

------